ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯊꯥꯡꯖ, ꯑꯣꯒꯁ꯭ꯠ ꯱꯰, ꯲꯰꯱꯹, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯳ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯳꯳ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

থাংজ, ওগষ্ট ১০, ২০১৯, ইম্ফাল
৪৩শুবা চহী, ১৩৩শুবা মশীং

# জপানীজ এন্সেফলাইটিস শন্দোরকপদা মী শিবা

## মপান্দগী টেষ্ট তৌদবা ওক পুশিল্লকপদা মীৎয়েং চঙহন্নিংই

মণিপুরদা চহী অসিগী ওইনা জপানীজ এন্সেফলাইটিসকী কেস ১৪৭ থেংনবগী মনুংদা মীওই মরি শিখ্রে হায়রিবসি নুংনাংবা পোক্লিংঙাইনি। মমাঙগী চহীশিংগা য়েংনবদা হন্দক্না লায়না অসি শন্দোরকপগী চাং ৱাংখৎলকপা থেংনরি। ষ্টেট হেল্থ দিপার্টমেন্টকী রিপোর্ট মতুং ইন্না কুমজা ২০১৭তা জপানীজ এন্সেফলাইটিসকী কেস ১৯৭ অমসুং কুমজা ২০১৮দনা কেস ৮৫ থেংনখি। চহী অসিগী ওইনদি হৌজিক ফাওবদা লায়না অসিগী কেস ১৪৭ থেংনখিবগা লোয়ননা মীওই মরি শিখ্রে। নুমীৎ খরনিগী মমাঙদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী খাগেমপলি হুইদ্রোম লৈকাইদসু জপানীজ এন্সেফলাইটিস পোজিটিভ ওইবা মীওই অমা থেংনরে হায়রি। দিষ্ট্রিক্টশিংগী ওইনা য়েংবদা লায়না অসিগী কেস খ্বাইদগী ৱাংবা চুড়াচান্দপুরনা ওইরি। ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, থৌবাল অমদি ককচীং দিষ্ট্রিক্টতসু লায়না অসিগী কেস ৱাংখৎলকপগী মওং অমা উবা ফংলি। ভাইরেল এন্সেফলাইটিস ওইহল্লকপগী মতাংদা খ্বাইদগী মরু ওইবা মরম অমা ওইরিবা জপানীজ এন্সেফলাইটিস ভাইরস অসি দেঙ্গি, য়েলো ফিবর অমসুং ৱেষ্ট নাইল ভাইরসকা মান্নবা ফ্লেবিভাইরসনি। মালেমদা খ্বাইদগী ইহান হানবা ওইনা কুমজা ১৮৭১ দা লায়না অসি জপানদা থেংনরকখি। চহী খুদিংগী চাংচৎতা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা লায়না অসিগী কেস ৬৮,০০০ লোম থেংনবগী মনুংদা মীওই ১৩,৬০০ তগী মীওই ২০,৪০০ রোম ফাওবা শিরি। অয়াম্বা মতমদা লায়না অসি অঙাংশিংদা নাবা থেংনরবসু চহী মতাং খূদিংমক্কী মীওইশিংদা নাবগী কেস থেংনরি। মহীক চঙখ্রবা মতুং নুমীৎ ৪ দগী ১৪ ফাওবগী মতুংদা লাইওং উৎথোরকই। অহানবা উৎথোরকপা লাইওংশিংদি পূক নাবা অমসুং ওবনি। ফীভম হেঞ্জিল্লক্লগা কোক চীকপা, লাইহৌ হৌবা, ঙকশম মরী নাবা, ৱাখল নীংথিনা খনবা ঙমলক্তবা, কোমা, সিজর অমসুং স্পাষ্টিক পেরলাইসিসনচিংবা লাইওংশিং উৎথোরকই। কা-হেন্না ফীভম লুশিল্লক্লগা মী শিহনবা য়াই। লায়েংবদগী ফীভম ফগৎলক্তুনা হিংহৌবা তারবসু মীওই চাদা ৩০ রোমদি পেরলাইসিস, সিজর, ৱা ঙাঙবা থোক্তবা অমদি ন্যুরোলোজিকেল দিসওর্দর মায়োক্নরকপা য়াওই। ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও)গী রিপোর্ট মতুং ইন্না সাওথ-ইষ্ট এসিয়া অমসুং ৱেষ্টর্ন পেসিফিক রিজনগী লৈবাক ২৪ লায়না অসিগী রিস্ক ৱাংবা মফমনি হায়রি। কালেন থা, নোংজু থা অমসুং লৌ উবা মতমদা হেক-হেক শন্দোরকপা লায়না অসি ক্যুলেক্স কৌবা কাঙ মখল অমনা শন্দোকপনি হায়রি। চৈনাখোল হন্থহন্নবা হীদাক-লাংথক খরা থাবা নৎতনা লায়না অসি লায়েংলগা মপূং ফানা ফহনবা ঙমদ্রি।

হৌজিক ফাওবদা লায়না অসি শন্দোরকপগী কেস তোয়না থেংনরিবা লৈবাকশিংদি ইন্দিয়া, চাইনা, ম্যান্মার, থায়লেন্দ, ভিয়েটনাম, কম্বোদিয়া, লাওস অমসুং নেপালনচিংবনি। হীরম অসিগা মরী লৈননা খন্নবা য়ারিবসি ম্যান্মারদগী টেষ্ট তৌদবা ওকশিং মণিপুরদা লেপ্তুনা পুশিল্লকপদা থিংবীনবা লৈতবগী মতাংদনি। ক্যুলেক্স হায়রিবা কাঙ মখল অসিনা জপানীজ এন্সেফলাইটিস ভাইরস য়াওরবা ওকশিংদা চীক্লুরগা মীওইবদা অমুক চীকপা মতমদা লায়না অসি শন্দোরকপা য়াই। দেঙ্গি, মলেরিয়া অমসুং জপানীজ এন্সেফলাইটিস লায়না শন্দোরকপগী রিপোর্ট ফংখ্রবা ম্যান্মারদগী ওকশিং মণিপুরদা পুশিল্লকপনা খূদোংথিবা থোকহল্লকপা য়াই হায়না মীয়ামদা মীপাইবা ফাওহল্লি। ম্যান্মারগী মোরে ফাওদুনা ওক কয়া পুশিল্লক্লগা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমদা শেন্দোং লৈনা য়োনবগী থৌওং চথনরি। ম্যান্মারগা লোন্নবা মোরেদা লৈরিবা ভেটরিনরি দিপার্টমেন্টনা মথৌ তাবা টেষ্টশিং তৌরগা অয়াবা পীরবা মতুংদা ওকশিং মণিপুরদা পুশিল্লক্কদবনি। ম্যান্মারদগী পুশিল্লক্লিবা ওকশিং খূদক্তা শাদোং ওইনা শেন্নগা য়োনবা নত্তে। নুমীৎ খরা য়োক্তুনা থন্নগা শাদোং ওইনা শেন্নবা মতুংদা মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা য়োনবনি। মরম অদুনা ম্যান্মারদগী পুশিল্লকপা ওকশিংদা জপানীজ এন্সেফলাইটিস য়াওরম্বা থোক্লবদি মণিপুরদসু লায়না অসি পাক শন্না শন্দোকহল্লকপা য়াই। দব্লিয়ু ঐচ ওগী রেক্কমেন্দেসন মতুং ইন্না লায়না অসি শন্দোরকপগী থৌদোক তোয়না থোক্কনবা মফমশিংদা ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম পায়খৎতুনা অমসুং কাঙ মরূম কোকহন্দনবা হোৎনদুনা মতীক চাবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎকদবনি হায়রি। জপানীজ এন্সেফলাইটিস ভাইরসনা থোকহনবা ব্রেনদা ইনফেক্সন তৌবগী লায়না মখল অসিগী কেস ৬৮,০০০ রোম চহী খূদিংগী তোঙান-তোঙানবা এসিয়াগী লৈবাকশিংদা থেংনরি। মণিপুরগী ওইনদি মমাঙগী চহীশিংগা য়েংনবদা হন্দক চহীদনা জপানীজ এন্সেফলাইটিস শন্দোরকপগী চাং ৱাংলে হায়রি। হীরম অসিগী মতাংদা লৈঙাক্না অখন্নবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা মথৌ তারে।

## ◇◇◇◇◇◇◇◇◇ এডিটরদা থারকপা চিঠি ◇◇◇◇◇◇◇◇◇

### বারেল চীংশাংগী লাইমতোন চীংদোন্দা লৈরিবা কম্পানসি পাৎ!

**ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,**

নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংগী মনুংদা লৈরিবা সব হিমালয়ানগী মনুং চনবা অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংগী মনুংদা মণিপুরগী ঈশিং কঞ্জর্ব তৌনবা, নোংগী ঈশিং তুংশিন্দুনা থম্নবা খুদোংচাবা য়াম্না লৈ। মসি লৈরুবগী মরমদি মণিপুরগী লৈজরিবা ব্লু রেঞ্জ হিল, অৱাংবা চীংদোলশিং, মখল মখা য়াম্লবা উমংশিং, অঙম্বা রোক ৱাল ময়াম, ঈচেল কল্লবা মশীং থিঙমদ্রবা লোক কয়া, চীংদা চেনবা তুরেল কয়া, মশীং থিঙমদ্রবা ঈশিং চাইবী কয়া, চীংদোলশিংদা লৈরিবা ঈশিং অচম্বগী পাৎ কয়া, তম্পাক্কী মফম কয়াদা লৈরিবা পাৎ কয়া অমদি চীংখোঙ চীংয়াদা লৈরিবা অকুৎপা ঈশিং তুংবা মফমশিং মসিগা লোয়ননা মালেমগী খ্বাইদগী নোংতাবা মেঘালয়াগী মৌশিনরামগা নক্লনা লৈবনা মণিপুরদা নোংগী চাংদি ফজনা ফংই। মণিপুরগী অৱাংবা চীংদোলশিংগী মরক্তা অমা ওইরিবা অদুগী মথক্তা মণিপুরগী পুৱারীগা শাগোন্নরিবা বারেল চীংশাংগী লাইমতোন চীংদোন্দা লৈরিবা কম্পানসি লেক (ৱেটলেন্দ) কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট, হৌখিবা ওগষ্ট ২গী নুংথিল পুং ২.১৫দা আই এস টি ভি, দিসকোভর মণিপুর অমদি এ বি সীগী টিমনা পুথোকখি। হায়রিবা এক্সপিদিসন অসি দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী থৌশিল মখাদনি। হায়রিবা ৱেটলেন্দ অসিগী লোকেসনসি ২৪°৩৮´৫০´´ নোর্থ লেটিচুদ অমসুং ৯৩°৪৩´১৬´´ইষ্ট লোঙ্গিচ্যুদনি। অলটিচ্যুদসি ফীট ৬০০০কী মথক্তা ৱাংই। অদুগী মথক্তা ৱেটলেন্দ অসি নম্বোল তুরেলগীসু হৌরকফম ওইরিবনি। মসিনা সাদু চিরু ৱাটরফোল, নম্বোল বজার ফাওরগা লোক্তাক্তা তারিবনি।

হায়রিবা এক্সপ্লোরেসন প্রোগ্রাম অসি তাং ২৮-০৭-২০১৯দা মালেমগী ওইনা পাঙথোক্লরিবা ৱর্ল্ড নেচর কঞ্জার্ভেসন দেগা মরী লৈননা মখা শমথরকপনি। মরুওইবা ঐখোয়গী পান্দমদি মণিপুরগী চীংশাংশিংগী মতোন্দা লৈরিবা ৱেটলেন্দশিং মওং মরীন তানা শেমগৎপা শাগৎপা অমসুং য়াম্না ঙমদবা চীংগী চীংমাইশিংদা পাক্তক্লনা ফুট ২/২ রোম পাক চাউবা কোম মচা মচা তৌদুনা থম্বা, মসিনা নোংগী ঈশিং মরীক অমা ফাওবা মাঙহন্দবা, নোংগী ঈশিং লোকশিন্দুনা চীং অমসুং তম অনীমক্তা চীংদা চেল্লিবা লোক্কী ঈচেলশিংদা চেক দাম শাবীদুনা ঈশিং ফজনা তুংশিন্দুনা লৌউ-শিংউবদা শীজিন্নবগী মথক্তা থক্না চানবা ফাওবা য়ানবা, পুখ্রি তৌথোকপা অমসুং পুখ্রি খোংবান শেংদোকপা, চীংগী চীংখোঙশিংদা পুখ্রি তৌবা, লৌবুক্কী ময়াইদা পুখ্রি তৌবা, লৌগী ঈশিং ৱাৎলবা মতমদা শীজিন্নবা য়ূম য়ূমগী ৱাটর টেঙ্ক তঙাইফদনা শাবা, মসিনা লৌউ-শিংউবখক্কী নত্তনা হীরম খুদিংমক্তা শীজিন্নবা কোন্নবা হোৎনগদবনি। লোয়ননা ঈশিং য়াম্না লিক্লা শীজন্নবগী হৈনবী থমগদবনি। মসি নৎত্রগদি ঐখোয়গী তুংগী আশা লৈতে।

*অদোমগী - সী ঐচ জয়কুমার শর্ম্ম*
*দিসকোভর মণিপুর*

# হিংবু হিংই ইমালোল



নোংথোম্বম বোবোমচা চহী তরেৎ মখায় শুরে। অফবা ইংলিস স্কুল অমদা মিং চন্দুনা তমহল্লগা ওজা কয়াদসু অয়ূক নুংথিল ট্যুসন চৎহনবা উই। মপোক নুমিৎ তৌদে, বর্থদে ওইনা তৌই। বর্থদেনা অমনি, মপোক নুমিৎ তৌনীংদে হায় হায়রি অঙাংদুনা। ইমা ঐগীদি ইপোক নুমিৎ পাঙথোকপীগনু, বর্থদে অমা ওইনা তৌবীয়ু অসুম্মাইনা হায় হায়। নোংমাইজিংদা হোলিদে ওইবীনু সন্দেদা হোলিদে ওইবীয়ু হায়না নোংমা বোবোমচানা মখোয়গী ওজাদরা কনাদনোমা হায়খিবা ঐনা তাহৌবা লৈ। চৈচৎমক্তি কাউজরে।

মণিপুরদা হান্না পোকখ্রবা অমদি কোন্না পোল্লকপা য়ারিবা বোবোমচা কয়া, বেমবেম কয়া কয়া মমালোন্দা য়াঙ্খ্রে হায়দৌ শরুক হায়জগে হায়রবনি অমদি হায়রক্কনি। মসিদগী খোল্লে খোন্দা কয়া ইমালোলদা তৌনরক্লে। অমদা ঙাইহাক কোয়জরুই। ঙাইহাক লৈতনা মখোয়গী মোল মনুং অদুদা ইবেম্মা নুপীমচা অমনা ইংরাজি মরোলদা করি করিনো য়াম্না লাউ খোৎতনা তৌই অদুগা মরক মরক্তা মানা মৈতৈলোন ঙাঙলকপা, থেৎলকপা অদুদি পূমলোই লোইরে। তখেল্লম্বম সনাহনবী হায়না মানা লাউথোরকপা মতমদা তখেল্লম্বম অদুসু সনাহনবী হায়বা অদুসু মিষ্টর গ্রীমৰুদনা মৈতৈলোল লোনবা অদুগা চপ হেক মান্নরে। অহানবদদি ঐদি খোল্লে খোন্দা অদু তারুরগা নন-মণিপুরীনা মৈতৈলোন ঙাঙবা ওইনা সুম তারম্বনি। কাউন্টরদা শেল পারিবা নুপামচা অদুদা ঙাইহাক লৈতনা মখোয়গী মাইক্তগী এনাউন্সমেন্ট তৌরিবী নুপীমচাদু মণিপুরী হেক হেক ঙাঙলকপদা মরোল অদু লৈতোন কোনবা হেনমনবা অদু করিগীনো হায়না হংই। মহাক মৈতৈ মচানি, মানা মণিপুরী লোল লোনবা মতমদা লোল য়াম্না খোইরিবা অসি মানা প্রাইভেট স্কুল অমদা অঙাং ওইরিঙৈদগী সুম তল্লকপদগী তৌখিবনি হায়না শেংদোকপীরকই।

মচাশিংনা ইমালোল খোঙ্গোক চুম্না ঙাঙবা ঙল্লক্তবা, ইবা ঙল্লক্তবা মতমদা মমা-মপাশিংনা হরাউজে। ঐগী ইচাদি ইমালোলদা নুমিৎ মমিং হায়বা ঙমদ্রে সন্দে, মন্দে ওইনা হায়বা হৈরে, ইমালোলদা মশীং থিবা হৈত্রে ৱান, টু, থ্রী হায়না হায়রে হায়না চাউথোক্লা ঙাঙবা তারে। ৱারীনবা তারে। ইমালোলগী থাক অদু কদাই য়ৌরে হাইরপ খঙবা ঙম্মী।

পাউচেদা অমদি খন্ন-নৈনফমদা অখঙ-অহৈশিংনা মৈতৈলোল (মণিপুরী) অসি খাঙেনফম য়ৌরে হায়না য়াম্না কিহন্না ঙাঙলকপসু তাবা ফংদ্রবসু নৎত্রি, লাইহৌদং ইংলিস লোন্দা ফিফটি ওইনা হেন্দোরক্তুনা জাৎ-জাৎকী নহান নোংমা শোপিং মোল হৌরকপদা লায়েংশঙদা দ্রিপ য়ান্নবগী থাক য়ৌশিন্না ঙাঙলকপা অখঙ অহৈশিংসু য়াওরক্তবা নত্তে। ময়ামনা তাবদা থুক লাউহনবা, পাখৎহনবা অমা য়াওদ্রবদি লৈঙাক্লসু থবক হেক লৌখৎপা মতম চঙই। হেঞ্জিন্না হায়জিনবগী কান্নবা লৈতবা নত্তে, ৱাখলনা হায়বগীসু মাঙজবা লৈতবা নৎফাৎতে।

## ৱাইরু-ৱাইরুবদা

ফনমক হায় শাবনি, মৈতৈলোন (মণিপুরী) অসি য়াম্না তপ্না তপ্না শক্লোন অমা তৌরল্লবনি। অকাম-অপেৎকী ৱাহৈশিং অসি হৌজিক মতমগী নহাশিংনা অকাম-অপেৎ থাংবা ৱা ওইনা লৌনরক্ত্রে, মীয়াম মমাঙদা করি অমত্তা ইকায়বা পোক্তবা ৱাহৈ ওইনা লৌনরে, মদুগুম্বা ৱাহৈনা চৈবদা শাউবগী মহুত্তা মখোয় থাগৎপা ওইনদুম থোক্লে। ৱাহৈগী খোল্লে খোন্দাদা খোইবা য়াওনরক্লে। ইংরাজি লোলদা পাবনা হেন্না লায়না থোক্লরক্লে।

ঐদগী চিংনা ইমালোল শিরে হায়না লাউবা ঙাক্তা ঙায়রে। লোল অসি চাও-খৎনবা হোৎনরকপদা লাইরিক ইবশিংদা ঙাক্তা ইঙ্গোক্তুনা লৈনরে। অইবনা লোল অমা হিংহনবা ঙম্লোই, খুন্নাই অদুদা লৈরিবা মী ময়াম্না লোল অদু হিংহনগদৌবা নৎত্রা? মণিপুরদদি অইবশিংনা কোপি মশীং মঙামুক ফোঙজবা লাইরিক অদু লৈবীনবা লৈতদুনা কাঙ্খদা তাদুনা লৈনরিবনি। কোপি চামঙাফাও য়ৌনা চাইথোকপা ঙমদ্রবা লাইরিকশিংনা ইমালোল য়োকপদা হাইরপ ৱানা থোক্লোইদ্রা?

অমসু অমসু লোল চাওখৎহনসি, চাওখৎহনসি অসিখক্তনি হায়নরিবা। লোল চাওখৎনবা দিক্সনারি ইবা, গ্রাম্মার লাইরিক ইবা, লোলগী সোফ্টৱায়র (এপ) শেম শাবা, লোল তম্নবা ৱেবসাইট হাংবা, য়ু ট্যুবতা মণিপুরী তন্বীবা অসিনচিংবগী থবক্তি অমত্তা উদে। হিংবু হিংই মণিপুরী লোল, অতোপ্পা লোলশিংগীদি হৌজিক মতমদা ওনলাইন অমদি ওফলাইনগী তেংবাঙ কয়া ফংলে। মণিপুরী লোলগীদি অসিগুম্বা মায়কৈ অসি পূমহো হোবগুম্না লৈরে। লোলগী ওজা ঙাক্তা পংহাপ্তা হাপ্পনা কান্নবা ঙম্মোই। ওজা ... দিজিটেল ওজা, ওনলাইন ওজা, ওজা সোফ্টৱায়র ময়াম অমা শেমগৎপা চঙলে...। তশেংনা লোল অসে তম্লগে হায়না খল্লকপা মতমদা ঐবু ইমালোল সেকেন্দ অমগী মনুংদা মণিপুরী (মৈতৈলোল) তাকপা ঙম্বা দিজিটেল ওজা মথৌ তারে, ইমালোলবু মীমালোলদা, মীমালোলবু ইমালোলদা খুদক্তা ওঙ্গোকপা ঙম্বা হেক্তা ইরায় লায়হনবা দিজিটেল ওজা, দিজিটেল খূৎলায় মথৌ তারে। ●

# মী মরক্তা হাৎননবা শিনবা

**নবকুমার ওইনা**

লমদমসিদা মী হাৎননবা শিনবা চহী লিশীং ফাজিল্লক্লে। হৌজিকসু হাৎননবা শিনবদুনবু হাৎনবা তোক্ত্রিবনি। য়ু এন ওনা অসিৱায় য়ৌরকপা ঙম্বা নৎত্রি। হীরম কয়াদা হাৎনবা শিনবদুনা তৌরিবা থৌওং খুদিং খৎননবা, হাৎননবা শিনবা মানশিল্লক্লি। হাৎনখিগদৌরি।

লৈঙাক্কী ওইগেরা, লাইগী ওইগেরা, য়ূমগী ওইগেরা, শাগৈগী ওইগেরা খৎননবা মচাক ঙাক্তা শেমগৎনবগুম থোক্লরে। মীতোপ চঙশিল্লকপনা লৈরক খুল্লক শিনবা থুংখ্রে। মসিমক মী মরক্তা খৎন-চৈনবা থোক্লবা শিল্লিবনি। চংলক্লিবা মীনা নত্তে, লৈরম্বা মীগী চেকশিনবা ৱাৎপগীনি, অপঙবনা লান থোকহনবদুনি। চহী লিশীং অমগী মমাঙদা হাৎনবদুগা অনীশুবা লিশীং অমগী মনুংদা হাৎনরল্লিবা অসিগা খেন্নবা খরা য়েংবদা চহী লিশীং অমগী মনুংদা হাৎনবা অসিনা শাথিবা হেল্লি। হৈবা শিংবা হেনগৎলকপগীদি মান্দে। ওইজ-ওইথক থিবা অমসুং অঙম তান্নবগী ওইগনি। হৌজিক ফাওবা মদুগী মমি তারি। মতম চূপ্পগী ওইবা হীরম অমা য়াখোক্তুনা হাৎন-শুনবা তোক্তুনা ঈংনা-চিক্লা পান্নবা থৌরম অমত্তা মপূং ফানা উদ্রি। অঙম তান্নবদা অকিবা পোক্লদ্রিবনি, হাৎনরিবনি।

চীংমায় শিনবা থুংনা মৈ চাকখিবা কুইদ্রি। কাঙলূপকী মী মশীং হেনগৎনবা হোৎনবা তোক্লদ্রিবনি, মচা য়াম্না পোক্লরিবনি, লাইগী মিংদা, কাঙলূপ খায়বা তোক্লদ্রিবনি। থৌওং খরা-খরা খেন্নবদি য়াই, হাৎননবা শিনবা অয়াম্বনি। লমখৈগী মপান্দগী লান তারকপা নত্তবদা ইমুং মনুংদা হাৎনবনবু মশীং য়াল্লল্লিবনি। মসিমক্তি ৱাখল লৌশিংগী থাক অমগী মখা পোল্লিবা ওইগনি। ঙসি ফাওবা ৱাখল্লোন অদুদগী লাপথোকপা ইঙম ঙমদ্রিবগুম তৌরি। চহী লিশীং অনী লৈবাক অমা ওইনা হিংলক্লে হায়বগী চাউথোকচবনা করি ওইরিবা। লৈবাক মনুংদা হাৎন-শুনবগী ৱারীনা পুৱারী ওইরি, ঈ মশেলগী চায়নপুং ওইনা শেমগৎলি। ঙসি ফাওবা অপূনবগী ৱাখল্লোন মপূং ফানা শাগৎপা ঙমদ্রি। মীয়ামগী শাজত্তা মদুগী মমি তাবা য়াম্না ৱাৎলি, নিঙ্গ্রি তারগা শাউনরি। চহী চাম্মা-চনিগী মতুংদা লাক্কদৌবা ফীভম ঔরাইবা ৱাৎনরি, অপাম্বদা শেন্বা ঙমগনি থাজরি। পূম্নমক ওন্ন-তৈননা লাক্কদৌরি। কনাসু মদোম হিংবা য়ারোই। লুচিংবশিংনা মশাগী তুংগী শক্তম লেপচবা ঙম্নদ্রি। ৱাথোক খরদা চনৈনদুনা লৈবা অসিনা লুচিংবা ৱাৎপগী মমি তাশিল্লক্লি। লম্বী থোং খরা শেম্বা অসিনা তুংগী পুন্সি অমা শেমগৎলে হায়বা য়াখিরোইদৌরি। শেমগৎলম্বা খুদিং কায়থরল্লি, শেম্বা-শাবা লোইদ্রিঙৈদো কিন্থুরকপনা হাল্লি, মসি লমদমসিগী মীয়ামগী শাজৎ অমা ওইরি। ইকায়নবসু ফাওনবা নৎত্রি, অফবা শাবা, থৱায় য়াওবা শাবদি মাল্লবসু তুং কোয়বগী ৱাদি ইয়াও য়াওদে হায়বা য়ারি। মীওই মঙা-তরানা পংয়েৎ য়েৎনবা মাল্লগা লৈঙাক্তা শম্নবা ঙমদনা মাঙবা ৱাফম কয়া লৈরি। মীয়ামগা লৈঙাক্তা ৱাখল্লোন শম্নবা ঙমদবা হীরম কয়ানি, লৈঙাকসি মীয়াম্না শেমখিবা মাল্লক্তে। লৈঙাক্তা তৌথোক্লকপা থবক্তা মীওই খরগীতা মানবা তোয়না থোকই। খুদম ওইনা পাউচে অসিগী জুলাই ১৭তা য়াওখিবা থা ফাদ্রিবা ৱাফমনি স্বাদেশ দর্সন স্কিমগী অৱাং নোংপোক লমদমদা লুপা ক্রোর ১.৪০০গী প্রোজেক্ট পায়খৎখি হায়বা য়াওরি। প্রোজেক্ট অসিগীদমক খনগৎলিবা লাইফমশিংদি গোবিন্দগী লাইশঙ, বিজয় গোবিন্দ, গোপিনাথকী লাইশঙ, বুংসিবোদোন লাইশঙ অমসুং কাইনাগী লাইশঙশিং অসিনি, মণিপুরগী ওইনা লৌখৎলি। অরুনাচল প্রদেশ, অসাম, নাগালেন্দ, মেঘালয়া, মিজোরাম, সিক্কিম অমসুং ত্রিপুরাগী প্রোজেক্ট অনী-অনী লৌখৎলি হায়রি। য়েংগদৌরিবসি লুপা কয়ানো হায়বদু নৎত্রি, নাগালেন্দ অমসুং মিজোরামদা হিন্দুগী লাইশঙ কয়া লৌখৎলমগদগে হায়বসিনি। ৱাহংসি লাক্লিবগী মরমদি মণিপুরদা টুরিজম চাওখৎনবা হিন্দুগী লাইশঙ খরসি শেমগৎলগা য়ারগনি খল্লিবা ৱাখল্লোন অদুমক কনানা হৌদোকপনো হায়বা থিগৎফম থোক্তব্রা হায়বদুনি। লাই হায়বসি ময়েক শেংনদ্রিঙৈ, ইপা-ইপুবু লাইনি খন্না লাৎনখিবনি হায়বসি খঙনরবসু মীগী লাই ৱায়রিবা করিগীনো হংনরল্লবা মতমসিদা, লমদম অসিদা অসিগুম্বা থৌওং য়াওরকপসিনা মী হাৎনরক্কদ্রা, সুইসাইদ বোমগী ৱা লাক্কদ্রা খলহনবা য়াওরক্লি। মীগী শুমাংদা মপাগী শোরাৎ শোনজিনবা ঙম্বা মীতোপ য়াওরিব্রা হায়বগী ৱাহংসু থোক্লক্লি। তাইবঙপানবসি ঐখোয়গী ইপা-ইপুনা শেল্লম্বদি নত্তে হায়বসি খঙনা খঙনা, থাগৎপা হেঞ্জিনবা খরনা থৌবু শাবগী ৱাফম লাক্লি। লাইশঙ শেমগৎলগা লম মুনবা য়াগদৌরিব্রা? লাইসি লানগী ওইনা শীজিন্নরিব্রা, পঙলিব্রা? মী হাৎননবা শিনবা তারক্কদৌরি। য়েংলগা লৈরিবা কাঙবুনা মদোম শিঞ্জবা তারক্কদৌরি। লাইগী ৱা নত্তনা মসিগুম্বা ৱাখল্লোন অসি শেমদোকপা ঙম্নদ্রবদি নোংমা নৎত্রগা নোংমদি মৈ হৌনা চাক্লরক্কদৌরি। ফোংনা মী উশিত্তবগী লোনচৎ শাজৎ মীয়াম মমাঙদা উথোকপা ঙম্বশিংগী ৱাখল্লোন হোংবা চংই, মফম-মতম কনসিয়স ওইবা ঙম্নফম থোকই। ঙরাং পংয়া য়াখিবদু ঙসি য়াগনি হায়না থাজবা লানগনি। চীংগী লমদা টুরিজমগী মফম অমত্তা লৌখৎপা য়াওদ্রিবা করিগীনো, লাইগী ওইরগনা শুগনুগী ৱাংপুরেল, মোইৰাংগী থাংজিং য়াওদ্রিবা করিগী ওইফম থোকই। মরিরক রেপ তৌখ্রে হায়বসিদা অকোনবা অহুল্লক্তু রাইট ওইনা লৌবা লোনা য়াব্রা হায়বসি খঙবা চংই। লাইগী ৱাসি য়াম্না ঙাঙনগনু হায়বসি খুদোংচাবা ফংলিবশিংগী ৱাঙাঙনি, মী নমথরিবনি। মী হাৎননবা শিনবনি, মায়কৈ অমবুনা করিসু তৌরকপা ঙল্লোই খনবদগী মী উশিত্তবনি। লাই হায়সি লৈতে খঙবদগী লাইগী ৱা ঙাঙনদবা লম লৈরবনি হায়সি লাইগী মীংদা লান থোক্লবা শিল্লিবশিংদা খঙহনবা চংই। মীওইবদি লাই খঙদনা লাই লাৎনরিবমখৈ খৎনখিগদৌরি, হাৎনখিদৌরি।

লৈঙাক পায়বা য়াওরগা লাইগী মীচং চংবা য়াওবা হায়বসি লৈঙাক্লোনবু লান্না শীজিন্নবনি, মীওইববু লান্না লমজিংবনি, লান থোক্লবা শিনবনি। নাট শৌগৎপা ওইরগনা মীচং-মীখায় নাইবা উখোকপা হায়বসি ফি শেৎলবা মী মাল্লক্তবা য়ারিবনি। করিসু হায়বা ঙমজদ্রবা কাঙলূপ ওইরগনা ষণ অশিবগুম তপ্না তপ্না লুপখিবা মশানা তাবনি। সেক্যুলরিজম হায়বসি লৈঙাক্লা লাইগী থবক শৌগৎপা য়ারোই হায়বনি, মশাগী লাই খুরুম্বদি ময়ূমদা তৌগদৌবনি। ভোটকী খল্লগা লাইনীং খুদিংমক্কী থবক থৌরম কয়াদা পংয়াও য়াওশিনবা উরি। হজ চৎপদা মিনিষ্টরশিং করি তৌই উনরে, খৃষ্টান চৎপশিংগী করি তৌরবগে, বৃন্দাবন চৎপশিংগী করি তৌগদৌরি। লৈঙাকপশিংনা মীরোল থুংলক্তবা তারবদি লমদম অমগী নাট হায়বসি থৈদোক্লগা পুবা তারক্লি। লাইদা য়াদবা, মীদা শাউবগী ৱাফম নত্তে, থবক থৌওংশিংদা মতম মাঙবা, মীয়ামবু লান্না পুরবদি য়েৎনরকপা , খৎনরকপা, হাৎনরকপদি শোয়দে হায়বসি খন্নবা চুম্মী হায়বতনি। ঙসিগী লাই খুনীং অসিদি অপঙবা ফুদোকপা মাল্লল্লবনি হায়বা লৈরবনি। লাই নীংবদা মতম মাঙহল্লিবা মখৈ লায়র তাল্লদৌবনি হায়নরবনি। মালেম শেন্বা লাইদু লান্না থাজবসি অপঙবা ফুদোকপনি, মীরোল তাদ্রিবনি হায়রগনি। লাই অদুগা ইপা-ইপুগা শমজিন্নবা শমজিলমল্লি। স্কুল, কোলেজ তল্লবা মহৈরোয় ফাওবা সাইন্স তমদবা কাঙলূপ্পা থাজবা অমদা লৈরগা সাইন্স তল্লিবা কাঙলূপকা য়েৎনফম ওইরক্লি। লাইরিক পাবা ৱাৎপগী ওইফম থোকই, লাইরিক তল্লিবা করিগীনো খঙবা ৱাৎলকপনি হায়গনি। থবক ফংনবা তম্বা লাইরিক খূত্তম্বীনা খুন্নাইগী লমজিংবা ঙম্বা লুচিংবা পুথোকপা ঙম্বা হৌনদে। থবক পীবগী মওং শোয়রগনা খুন্নাইদু চনীং তাবা পুরকপা ঙম্ফম থোক্তে, শেল চাবশিংসি খুন্নাইবু য়োল্লগা চাবা কাঙলূপনি, মীয়ামগী য়েক্লবনি। হাৎন-শুনবা থোক্লবা শিল্লিবনি। হাৎনবা য়াওরক্লবনি, ঙম্বা অমদি শেলগী মী হাৎপসু ময়াম অমা য়াওরক্লিবসিনি। শেল চাখিবশিংদগী শেল লৌথোক্লবা বোম অমসুং নোংমৈ শীজিন্নবা হৌরক্লবনি। ফীভম অসিদা নুপী খুন্নাইনা চনিং তানা খন্থরিব্রা, হৌনবনি হায়বগী ৱাকৎ মীফম ফম্বদা মতম কয়া মাঙনরি। নুপী খুন্নাইনা লৌরিবা লৈবাক্কী থৌদাং মপূং ফানা চুম্না চৎলিব্রা হায়বগী ৱাহং লাক্লি। নুপী খুন্নাইনা নুপা খুন্নাইবু য়েক্লবগুম লৌবগী চাং ৱাংনা হেনগৎলক্লিব্রা? নুপী খুন্নাইগী শাজৎ অমসুং ৱাখল্লোনগী থাক অমা হনগৎনা খন্ন-নৈনবা য়ারক্লি। নুপীগী মগুন তরেৎমক খুন্নাই অসিগী নুপীশিংনা ঙাক্লা চৎপা ঙল্লিব্রা? চিন্দা অফবা শারিবনা অশেংবা শক্তম খুমজিনবদি ঙল্লোই। ইমা-ইবেল মঙা-তরানা করি হায়রগা উরিবা মীয়াম্না থাজগদৌবসু লৈতে। মালেমগী নুপী খুন্নাইগী থাক্তা লৈবা ঙম্বা হায়বসি মালেমগী নুপীশিংনা ঙম্বদু ঙম্বসু চংই। ৱাখলগী থাক অদুদা লৈবা ঙম্বসু চংই। মহারানি মানবখক্তনা অচুম্বনি হায়বদি লৈরোই। ঙসিদি নুপীগী ৱাখল্লোনগী থাক অদুনা হাৎন-শুনবগী অচৌবা মরম অমা ওইরল্লব্রা হায়বসি খন্থনফম থোকই। ইন্টরকাষ্টকী অথিংবা ময়াম লৈবনা নুপীশিংগী যূম্বান লম্বীদসু অথিংবা কয়া'মা লৈরি। নুপীগী ৱাথোক থোক্লিবসি কাঙলূপ খরদদি হন্থনা লৈরি। নুপীনা মশীং য়াম্বা কাঙলূপ্তা ৱাথোক হেনগৎনবগী মরম ওইবা মাল্লক্লি। নুপীনা মশীং য়াম্বা ওইরবসু যূম পান্নবা লম্বী থিবা হায়বসিদি মহৌশানি। মশীং য়ামদবা নুপাশিংনা খুদোংচাবা লৌফম ওইবগী ৱাফমদি লৈতে হায়গনি। মী মীগী ৱাখল লৌশিং অমসুং শাজৎকী মখা পোল্লকই। মশীং হেন্না লৈরবদি, ইন্টরকাষ্টকী রেজিষ্টেন্স লৈনবনা, হেল্লিবা মশীং অদুমখৈগী খুন্নাই অসিনা চংজফম পীফম থোক্তবরা হায়বগী ৱাফম লাকই। ঙসিগী নুপী খুন্নাইনা মদুমক কন্সিয়স ওইরল্লগনি হায়বগী খুদমদি উনদ্রি হায়গনি। মালেমগী নুপী ময়ামদগী লমদম অসিগী নুপী খুন্নাইনা পুমহেন হেল্লি, তোঙাল্লি হায়বগী কান্নবনা করিনো। খুন্নাই অসিগী নুপীশিংনা লেপ্পা ৱারেপ খুদিংমক চুল্লমগদৌবনি হায়বগী গরেন্টি লৈব্রা হংনরক্কনি। ইশম শম্না নুপী খুন্নাইগী ৱাখল্লোনগী থাক অমনা ৱাথোক কয়া থোক্লকপা য়ানবা অমসুং হাৎন-শুনবগী ৱাথোক কয়া অমা থোক্ত্রবা থৌদাং লৌবা য়ারিব্রা থিগৎনফম থোকই হায়বদুনি।

নুপীগী ফুরুপ অচৌবা অহুম লৈবা উনরিবনি। ফুরুপশিং অসিগী নুপী খুন্নাইশিংনা ৱা ঙাঙলগা লৌরিবা থৌদাং অসিদগী ৱা ঙাঙদনা লৌরিবা থৌদাংনা হন্থবা নত্তে হায়গনি। নুপী মশেলগী মরক্তা ৱাখল্লোন মান্নবা অমসুং মান্নদবগী ৱাফম কয়ানা অপূনবা খুন্নাইগী ৱাথোক থোকহনবসু য়াওদবা নত্তে। মুন্না য়েংলবদি নুপীশিংনা নুপাশিংগী ৱাখল্লোন নমহৎলগা পুবা মানবা ৱাফম খরা য়াওরম্বগী মমিসু তারম্বা য়ারিবনি। নুপানা মীনম্বীরবা নুপী মশীংগা নুপীনা মীনম্বীরবা নুপা মশীংগা কনানা হেল্লম্বা য়াবগে হায়বসি পুথোকপদি ৱাবা ৱাফমনি। খন্থুরগা য়েংবদি কান্নগনি খল্লি। ফুরুপ খেন্নবনা ওইগদৌরিব্রা, ফুরুপশিং অসিগী নুপীশিংনা লৌরিবা থৌদাংশিংদা খেন্নবা লৈরি, নুপী ফুরুপশিংসি মান্ননা লৌবা ঙমজদবা মীওই লৈববু মাল্লক্লি। ফুরুপ মরক্তা হাৎন-শুনবদগীদি ফুরুপ মনুংদা হাৎনবা থোকপনা মশীং হেল্লি, ফুরুপ অমদগী ফুরুপ অমনা ৱাথোক থোকপসু হেনবা উরি। মসিগী মরম অদুম লৈফম থোকই। পঙবা-শিংবগী ৱা নত্তনা ৱাখলগী থাক অমসুং ৱাখল্লোন খেন্নবগী মমিদি শোয়দনা তাগনি হায়বা য়াই। ফজবা অমসুং ফজদবা হায়বসি কান্নবা অমসুং কান্নদবনা মহুৎ শিল্লক্লবা মতমসিদা ফজৈ-ফজদে য়েৎনদুনা লৈবা হায়বসি লৈখা তারক্লবগী লম্বী শেল্লিবা ওইবসু য়ারি। মদুমক মী হাৎননবা শিনবা ওইরম্বসু য়ারি। খন্নরিঙৈ ৱাথোক্তি নোংমা নোংমগী মশীং হেনগৎলক্লি। মসিনা তাক্লিবদি ৱাখল্লোনগী অশোনবা লৈরে, ৱাথোকশিং লাকশিন্নবগী লৌশিংদা করি অশোয়বা য়াওরবগে হায়বা হন্না থিগৎফম থোকই হায়বনি। লৈঙাক অমসুং পুলিস হায়বসি ৱাথোক লোইশিন্নবা লৈবা মাল্লক্তরে, চুম্না ৱাথোক পরেং শেম্নবা রেকোর্দ ইশিন্নবা লৈবগা মান্নরক্লি। নাকল অমদা পুলিসনা ৱাথোক থোকহনবা কয়া য়াওদবা নত্তে। নোংমৈ পায়রগা ক্রাইম তৌবা য়াওরম্বা পুলিস য়াওবা হায়বসি ৱাথোক অমগী ৱারীদুদি লায়রি, ৱাখল্লোনগী থাক অমসুং ৱাথোক অদু লাকশিন্নবা তৌরিবা থৌওং অমসুং লৈঙাক্কী হৈশিংবা অদু য়েংবা ফংলকপসিনি। হৈত্রবদি ৱাথোক মথং মথং থোক্লল্লবা হীরম ফাৎপগুম লৌবা য়ারিবনি। ৱাথোকশিং অসি শোয়বদগী থোকপা মশীং য়াল্লক্তবা, তৌরগে য়াওনা তৌবা অরানবা মওংদা চথবা তারল্লবদি খুন্নাইদু লৈখা তাবা লোইরে হায়না লৌবা তারকই।

খুন্নাই অসিমক মদুগী থাক য়ৌরবরা চেকশিন্নীংঙাই ওইরে হায়বা য়ারে। শেল পায়বা মীওইশিংনা মী হাৎপা য়ারল্লবা হায়বসি লোদু লৈত্রে, কনাগুম্বগী ফুরিৎখাওদা চংখ্রে হায়বনি। লো শেন্নবশিংনা পঙমুক্তা মুক্লগা লো লৈরি হায়বসি অঙাওবা তারকপা মাল্লক্লি। লোসি শেন্নবা মীওইশিংগী কোক্তা লৈগদৌবা নত্তে, মখোয়গী লাইরিক উপুদা অদুম লৈগদৌবসু নত্তে, মীয়ামগী কোক্তা লৈগদৌবা লৌশিং অমসুং শাজৎ ওইগদৌবনি। লো খঙনদ্রবা মীয়ামগী মরক্তা মী হাৎনরকপদি মশানা তাবনি। লো পায়রগা লৈঙাক শেন্নরিবা মীওইশিংনা লোদা য়েংলিবা মীৎয়েংগী মতুংইন্না ৱাথোক থোকপা হেল্লকই হায়বদি য়াই, মখোয়গী অশোয়বদু মীয়াম্না শেন্নবা ঙমদ্রবদি খুন্নাইগী শাজৎ ওইনা লৌনগনি। মীওই অমমমগী শাজৎনা খুন্নাইগী শাজৎ ওইরকই। মমৈদদি খুন্নাই অদুমক মীহাৎ মীপূন্দা থৱায় য়াওবা ওইনা মালেম্না লৌনবা য়ারি। মশীং য়াল্লবা অফবা, অচুম্বা চৎপা মীওই কয়া লৈরম্বসু ফৌমান ওইনা মীওই খরতনা খুন্নাই অমগী মশক থিহনবদি ঙম্মী। মীয়াম্না ৱাথোক শাগৎতুনা লৈরগা পুলিসগুম্বা মীওই খরনা মীহাৎ মীপূন ময়ামসি লাকশিনবদি ঙমখিরোইদৌরি। ৱাথোক শাগৎপদা য়াওগদ্রা, ৱাথোক লোইশিনবদা য়াওগদ্রা হায়বদি লৈখায় তানফম থোকই। ●